# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অথুবা মতমদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ষ্টেটহুদ ফংহল্লগনি হায়না থাজবা পীখ্রে




ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৫ (এজেন্সী):
অপনি পার্টিগী মীহুৎ কাঙবু অমগা উনখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অথুবা মতমদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ষ্টেটহুদ ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না থাজবা পীখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মীহুৎ কাঙবু অদুগা উনদুনা দিলিমিটেসন, দিমোগ্রাফি অমসুং ষ্টেট দোমিসাইলনচিংবা হীরম কয়াদা কুপ্না ৱারী শানখি। পার্লিয়ামেন্টতা পীখিবা ৱারোলশিং নৌহৌনা পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা লৈরিবা মীয়ামগী অপান্বা মতুংইন্না অথুবা মতমদা ষ্টেটহুদ ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

অলটাফ বুখারিনা লুচিংবা অপনি পার্টিগী মীওই ২৪না শাবা মীহুৎ কাঙবুগা উনখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি মতম খরা যুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা থম্লুরবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু অমুক হন্না ষ্টেটহুদ ফংহন্নবা হোৎনরগনি। প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱারোল তারবা মতুংদা অপনি পার্টিগী মীহুৎ কাঙবু অদুনা সেন্টরগী বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাকপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মমাঙদা অলটাফ বুখারিনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি মমাঙ চহীগী ওগষ্ট ৫দা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্তুনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু যুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অহুম থোকখ্রবা মতুংদা মীয়ামগী অপান্বা ফংহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি।

অমরোমদা, নেসনল কনফরেন্সকী প্রসিদেন্ট ফরুখ অবদুলানা পোলিটিকেল লিদর পূম্নমক অমত্তা ওইনা পূনশিল্লগা হৌজিক হৌজিক ফাজিন্দুনা থম্লিবা মীওই পূম্নমক থাদোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মতম ওইরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা থাদোরকপদা ঙাইহিরিবা ফরুখ অবদুলানা হায়খি, মতম অমদা পোলিটিক্সনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মীওইশিং মচোই-মচোই তাহল্লম্লবসু হৌজিক্তি পোলিটিকেল লিদরশিং অমত্তা ওইনা খূৎশম্নরগা মীয়ামগী অপান্বা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎমিন্নবা মতম ওইরে। মতম শাংনা জেলদা ফাজিন্দুনা থম্লক্লিবা মীওই পূম্নমক অথুবা মতমদা থাদোকহন্নবা হোৎনফম থোকই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বগা লোয়ননা নেসনল কনফরেন্সকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ফরুখ অবদুলানা হায়খি, পোলিটিকেল পার্টিগী খেন্নবা ৱাখল্লোন পূম্নমক থাদোক্লগা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল লিদরশিং অমত্তা ওইনা খূৎশম্নবা মতম ওইরে।

## কর্ণাটকাদা চয়োল অমা চুপ্না মীয়াম পূনবদা অথিংবা থমখ্রে

বেঙ্গলোর, মার্চ ১৫ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসকী কেস মশীং হেনগৎলকপগা লোয়ননা কর্ণাটকাদা চয়োল অমা চুপ্না মীয়াম পূনবা থিংলে হায়না চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরপ্পানা ফোঙদোকখ্রে।

কর্ণাটকাদা কোরোনাভাইরসকী অনৌবা কেস অমত্তা রিপোর্ট তৌরকপা লৈত্রবসু য়ূমলোন্নবা ষ্টেটশিংদা লেপ্পা লৈতনা কেস মশীং হেনগৎলকপা মরম্না চয়োল অমা চুপ্না মীয়াম পূনবদা অথিংবা থমখিবনি হায়রি।

কর্ণাটাকা গভর্ণমেন্টনা চয়োল অমা চুপ্না ইমর্জেন্সি লাউথোকপগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা লুহোংবা অমদি মীফম্নচিংবা মীয়াম তিনবা থৌরম অমত্তা পাঙথোকপা য়ারোই হায়না লাউথোকখি।

মমাঙদা ষ্টেট লৈঙাক্না মোল, সিনেমা হোল অমদি পবনচিংবা মফম পূম্নমক থোঙ লোনশিন্নবা খঙহনখ্রবনি। ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না খুদোংথীনীংঙাই ওইবা থাক য়ৌরে হায়না চেকশিন ৱারোল পীখ্রবা মতুংদা কর্ণাটাকা গভর্ণমেন্টনা হেলথ দিপার্টমেন্টকী ইমপ্লোয়ী পূম্নমক ছুটি লৌবা থিংখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অসিদা কোরোনাভাইরসকী অপূনবা কেস মশীং ৬ শুরে। মশাগী চহী ৭৬ শুরবা মীওই অমসু হৌখিবা মার্চ ১৩দা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে।

যুনিয়ন হেলথ মিনিষ্ট্রিনা হৌজিক ফাওবদা কোরোনাভাইরসকী অপূনবা কেস মশীং ১০৮ য়ৌরে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মহারাষ্ট্র খক্তদা লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহল্লবা মীওই ৩১ শুরে হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, অন্ধ্র প্রদেশকী ওইনসু কোরোনাভাইরস লাইচৎকী য়েংলগা লোকল বোদিগী ইলেক্সন চয়োল তরুক য়ৈথোক্লগনি হায়না ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর এন রমেসকুমারনা লাউথোকখ্রে

## মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর কমলনাথপু ঙসি থাজবগী চাংয়েং পাঙথোক্নবা গভর্ণরনা খঙহনখ্রে

ভোপাল, মার্চ ১৫ (এজেন্সী):
মধ্য প্রদেশকী গভর্ণর লালজি টন্দন্না চীফ মিনিষ্টর কমলনাথপু হয়েং এসেমব্লিগী লৈমায়দা থাজবগী চাংয়েং পাঙথোক্নবা খঙহনখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা গভর্ণরনা চীফ মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা থাখ্রে হায়না রাজভবনগী সোর্স অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা থাখিবা চেরোল অদু পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, মধ্য প্রদেশকী এম এল এ ২২না এসেমব্লিগী স্পিকরদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখ্রে হায়বা তারে। তোঙান-তোঙানবা ইলেক্ট্রোনিক অমসুং প্রিন্টি মিদিয়াদসু এম এল এশিং ফম থাদোকপগী ৱারোল ফোঙনরক্লে। ফীভম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা এসেমব্লিগী লৈমায়দা পাঙ্গল চাংয়েং পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ।

অমরোমদা, মধ্য প্রদেশ এসেমব্লিগী বজেট মীফম হৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা কোংগ্রেসকী এম এল এশিং ভোপালদা হল্লকখ্রে। জয়পুরদা কেম্প তৌদুনা লৈরিবা কোংগ্রেসকী এম এল এশিং ভোপালদা হল্লকখ্রবসু হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা পাঙ্গল চাংয়েংদা এম এল এশিং অদুনা চীফ মিনিষ্টর কমলনাথকী লৈঙাক শৌগৎতুনা ভোট পীরক্কদ্রা হায়বগী মতাংদা চপ চাবা ৱাফম খঙবা ঙমদ্রি।

কোংগ্রেসকী এম এল এ অমনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি জয়পুরদগী ভোপাল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা অখন্নবা বস অমনা মফম তাকথোক্তবা হোটেল অমদা পুদুনা চৎখি। কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিনা হ্বিপ ইস্যু তৌদুনা এম এল এ খুদিংমক এসেমব্লিগী মীফম য়াওনবা খঙহনখিবা মরম্না জয়পুরদা কেম্প তৌরিবা কোংগ্রেসকী এম এল এশিং মতম চানা ভোপালদা হল্লকখিবনি হায়রি।

Government of Manipur
Rural Engineering Department
Manipur State Rural Roads Development Agency
4th Floor, Secured Office Complex, AT Line, North AOC, Imphal, 795001

**[illegible]/NOTICE**

Imphal, the 11th March, 2020

**No: 24/2/2013-MSRRDA/Works/736 :** This is a reminder to all the contractors who are involved in execution of PMGSY works in the State that for on-boarding to e-MaRG for execution and payment of Maintenance of PMGSY works, the contractors are to fill up the mandatory form and submit to the office of the undersigned for online registration. All maintenance related payment shall be based on PBMC (Performance Based Maintenance Contracts) through e-MaRG only with effect from 1st April, 2020.

The form may be collected from the office of the Chief Engineer or ITNO, Rural Engineering Department/MSRRDA.

This may please be treated as **"Important and Urgent".**

**Sd/- Th. Nandakishore Singh**
Chief Engineer cum E.O
RED/MSRRDA, Manipur

HL-P/6123/16

## পঞ্জাব, হরিয়ানাদা মতম চাদনা নোং চুরকপদগী লৌমীশিং মীপাইহল্লে

চান্দিগড়, মার্চ ১৫ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিগী পোত্থোক খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা ষ্টেটনি হায়না লৌনরিবা পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানাদা মতম চাদনা অকনবা নোং চুরক্তুনা মহৈ-মরোং কয়া অমাঙ অতা থোকহনখিবদগী লৌমীশিং মীপাইবা পোক্লরে।

হৌখিবা নুমিৎ হুমনিরোম চানি দগড়দা অকনবা নোং চুখি। ইরাই নুমিৎকী নুংথিল পুং ৫.৩০দগী হৌরগা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম ফাওবা অমৃটসর, লুধিয়ানা, পটিয়ালা, পঞ্চকুলা, অম্বালা অমদি কর্নালনচিংবা মফমশিংদা নোং কন্না চুরকখি। মফম খরদা লেন তারকপগা লোয়ননা অকনবা নুংশিৎ শিৎলকপদগী মহৈ-মরোং কয়ামরুম অমাঙ-অতা থোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা সিরোমনি অকালি দলগী প্রসিদেন্ট সুখবির সিংহ বাদলনা হায়খি মদুদি লৌমীশিংগী অৱাবা য়েংলগা লৈঙাক্না মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

পানিপটকী ইসরানাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা হরিয়ানাগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর দুস্যন্ট চাউতালানা হায়খি মদুদি মতম চাদনা চুরকপা নোংনা মহৈ-মরোং অমাঙ-অতা থোকহনখিবগী ফীভম কূপ্না য়েংশিন্নবা মরী লৈনবা দেপ্যুটি কম্মিস্নর পূম্নমক্তা খঙহনখ্রে।

দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংনা রিপোর্ট পীরক্লবা মতুংদা লৈঙাক্না লৌখৎপা য়াবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, দিল্লিগী ওইনসু কুমজা ১৯৯২গী মতুং তারকপদা খ্বাইদগী কনবা মওংদা ঙরাং নোং চুরকখ্রে। সফদর্জং ওবজার্ভেটরিগী রিপোর্ট মতুংইন্না থা অসিগী ওইনা নোংজুগী চাং এম এম ১০১.৯ য়ৌরে হায়রি।

ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না বিহার, ঝরখণ্ড, ছটিশগর অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলদসু অকনবা নোং চুরকপা য়াই হায়রি।

## জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী অনন্টনাগতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা টেররিষ্ট ৪ হাৎখ্রে

শ্রীগর, মার্চ ১৫ (এজেন্সী):
জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী অনন্টনাগ দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা টেররিষ্ট ৪ হাৎখ্রে।

পুলিসকী রিপোর্টনা হায় মদুদি অখন্নবা পাউ অমা ফংবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ঙসি অয়ূক অনন্টনাগ দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরা কোয়শিন্দুনা থম্লগা থিবা-হুম্বগী থবক চথুখি। সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথুরিঙৈদা টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী নাকল অনী অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা টেররিষ্ট ৪ শিরে হায়না পুলিসকী রিপোর্টনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

অমরোমদা, বরামুলা দিষ্ট্রিক্টকী সোপোরদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা জাইস-ঈ-মহম্মদ (জে ঈ এম) গী মরুওইবা টেররিষ্ট অমা ফারে হায়না পুলিসকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি, রাষ্ট্রিয়া রাইফলস, সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স অমসুং স্পেসল ওপরেসন গ্রুপকী অপূনবা টিম অমনা নোর্থ কাশ্মীরগী বলগাম এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথুখি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা সোপোরদা থুংখিবা মতমদা টেররিষ্ট অমা মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখিনবা থৌরাং তৌখি। খুদক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা টেররিষ্ট অদু হিংনা ফাবা ঙমখি। ফারবা টেররিষ্ট অদুগী মমিং দেনিস অহম্মদ কৌই। বরামুলা দিষ্ট্রিক্টকী চেষ্টি কোলোনিদা লৈবনি হায়রি।

অহানবা ফংবা রিপোর্ট মতুংইন্না ফারবা মীওই অসি হুন্দক্তা পাকিস্তান্দা ট্রেনিং তৌরুরগা তোঙান-তোঙানবা মফমদা এটেক চথুনবগীদমক অফবা মখলগী খূৎলায় কয়ামরুম পুরগা চঙলকখিবনি হায়বা খঙলে। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা ইনভেষ্টিগেসন চথুবা হৌখ্রে।

## টাহির হুসেনগী খূৎ য়াওখিবগী খুদম ফংলে

দিল্লি, মার্চ ১৫ (এজেন্সী):
নোর্থ ইষ্ট দিল্লিদা থোকখিবা খৎন-চৈনবগী থৌদোকশিংদা সস্পেন্দ তৌখ্রবা আম আদমি পার্টি (এ এ পি) গী কাউন্সিল্লর টাহির হুসেনগী খূৎ য়াওখি হায়বগী মতাংদা দিল্লি পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চনা মতিক চাবা খুদম ফংখ্রে।

দিল্লিগী থৌদোক্তা মরী লৈননা হৌজিক হৌজিক ৱাহং পাউহং চথুরিবা এ এ পিগী লুচিংবা অসিবু অথুবা মতমদা দিল্লি পুলিসনা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌরবা য়াই হায়না থাজনরি।

পনবা য়াবদি, তমথীনা হাৎতোকপীখ্রবা ইন্টিলিজেন্স ব্যুরো (আই বি) গী ইমপ্লোয়ী অঙ্কিট শর্ম্মগী ইমুং-মনুংনা ফাইল তৌরকপা কমপ্লেন অমদা য়ূম্ফম ওইরগা টাহিরবু দিল্লি পুলিসনা বুক তৌখ্রবনি। অঙ্কিটকী অপোকপা রবিন্দর কুমারনা হায়খি মদুদি চান্দ বাঘ পুলিয়া মনাক্তা টাহিরনা মীওই খরা খোমজিল্লগা ঈরাং হৌহনখিবনি।

## J.N. INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
## POROMPAT, IMPHAL EAST
## NOTIFICATION

**Imphal, the 12th March, 2020**

No.01/711/Staff Recruitment/JNIMS/20/2567:-Jawaharlal Nehru Institute of Medical Sciences (JNIMS), hereby invites applications in the prescribed format from willing and eligible candidates for recruitment of the following posts on Temporary Basis in various Department of J.N. Institute of Medical Sciences, Porompat, Imphal.

| Sl. No. | Name of Post | No. of post | Pay scale | Reservation | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Pharmacist (Allopathy) | 5 | Rs 5200-20200+ GP Rs 2800 | UR-2, ST-2,OBC (Meitei) -1 | 5 |
| 2. | Sanitary Supervisor | 1 | Rs 5200-20200+ GP Rs 2800 | UR-1 | 1 |
| 3. | Ophthalmic Assistant/ Refractionist | 4 | Rs 5200-20200+ GP Rs 2800 | UR-3, ST-1 | 4 |
| 4. | Dialysis Room Technician | 3 | Rs 5200-20200+ GP Rs 2800 | UR-2, ST-1 | 3 |
| 5. | ECG Technician | 3 | Rs 5200-20200+ GP Rs 2800 | UR-1, ST-1, OBC (Meitei) -1 | 3 |
| 6. | Manifold Technician | 2 | Rs 5200-20200+ GP Rs 2800 | UR-1, ST-1 | 2 |
| 7. | CSSD Technical Assistant | 2 | Rs 5200-20200+ GP Rs 2400 | UR-1, ST-1 | 2 |
| 8. | CW Technician | 2 | Rs 5200-20200+ GP Rs 2400 | UR-2 | 2 |
| 9. | Radiographic Technician | 3 | Rs 5200-20200+ GP Rs 2800 | ST -1, UR-1, OBC (Meitei) -1 | 3 |

**2. Essential Qualification: -**

| Sl. No. | Name of Post | Recruitment Rules |
|---|---|---|
| 1. | Pharmacist (Allopathy) | Essential:- 1. Passed 10+2 Examination in Science or its equivalent from recognized Institute 2. Trained in registered Diploma in Pharmacy of a recognised Institute. Desirable:- i) Knowledge of Manipuri & Local dialect |
| 2. | Sanitary Supervisor | Essential:- 1. Passed 10+2 Examination in Science or its equivalent from recognized Institute 2. Diploma in Sanitary Science from a recognised College/Institute Desirable:- Knowledge of Manipuri & Local dialect |
| 3. | Ophthalmic Assistant/ Refractionist | Essential:- 1. Passed 10+2 Examination in Science or its equivalent from recognized Institute 2. Diploma in Optometry OR Diploma in Ophthalmic Assistant from a recognised Institute Desirable:- i) Knowledge of Manipuri & Local dialect |
| 4. | Dialysis Room Technician | Essential- i) Passed 10+2.or its equivalent from a recognized University or Board. ii) Diploma in Dialysis Technician from a recognized Institute. Desirable- Knowledge of Manipuri & Local dialect |
| 5. | ECG Technician | Essential:- 1. Passed 10+2 Examination in Science or its equivalent from recognized Institute 2. Diploma in ECG Technician from a recognized Institute. Desirable- Knowledge of Manipuri & Local dialect |
| 6. | Manifold Technician | Essential:- 1. Passed 10+2 Examination in Science or its equivalent from recognized Institute 2. Trade Certificate or ITI Diploma in Mechanical Engineering with 5 years experience in Medical Gas Pipeline System in a 100 Bedded Hospital Desirable:- Knowledge of Manipuri & Local dialect |
| 7. | CSSD Technical Assistant | Essential:- 1. B.Sc from recognized Institute 2. Training in Central Sterilization Room Assistant Course Techniques from a recognised Hospital/Institute Desirable:- Knowledge of Manipuri & Local dialect |
| 8. | CW Technician | Essential:- 1. Passed 10+2 Examination in Science or its equivalent from recognized Institute 2. ITI/ Diploma Certificate in Refrigeration and Air Conditioning from a recognised Institute/Polytechnic of a minimum of 12 months. Desirable:- i) 2 years experience in Installation and maintenance of Refrigeration and Air Conditioning systems Knowledge of Manipuri & Local dialect |
| 9. | Radiographic Technician | ESSENTIAL: - i) 10+2 or its equivalent from a recognized Board/University. ii) 2 years Diploma course in Radiography/X-Ray Technician course. Desirable- i) Working experience for more than 1 year from any recognised Institute/ Medical College ii) Knowledge of Manipuri & Local dialect |

**3. Age Limit:**
38 years and below (Upper age limit relaxable upto the 5 years for SC/ST & 3 years for OBC candidates & by 5 years for candidates of State government service. Further, a government servant who belongs to SC/ST will get the facility admissible to a Government servant in addition to the relaxation permissible to SC/ST candidates. The eligible age should be as on 13th March, 2020 the date of notification.

**4. Issue/submission of Application form:**
The willing and eligible candidates should get their names sponsored by the concerned Employment Exchange Office on or before 31st March, 2020 Thereafter, the sponsored candidates should download the application form (enclosed) from the website (www.jnims.nic.in) and submit the completed forms along with the required self attested copies of certificates on or before 2nd April, 2020 to the undersigned.

Only those applications duly sponsored by the respective District Employment Exchanges Office shall be accepted.

**5.** Candidates are required to pay Rs. 500/- for unreserved category and Rs. 250/- for ST/SC/PWD category while submitting application form.

**6.** Documents to be submitted: Completed application form for the post along with passport size photographs (3 nos.), self attested copies of the documents/certificates (mentioned in the application form) & Exchange card duly sponsored by the concerned Employment Exchange Office.

**7.** The number of posts may be increased or decreased as per needs.

**Sd/- Prof. Th. Bhimo Singh**
**Director,**
**J.N. Institute of Medical Sciences**

HL-P/6122/16

## J.N. INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
## POROMPAT, IMPHAL EAST
## NOTIFICATION

**Imphal, the 12th March, 2020**

No.01/712/Filling up on contract basis/JNIMS/20/2566:-Jawaharlal Nehru Institute of Medical Sciences (JNIMS), hereby invites applications in the prescribed format from willing and eligible candidates for recruitment of the following posts on **Contract Basis** in the following Department/Unit of J.N. Institute of Medical Sciences, Porompat, Imphal.

| Sl. No. | Name of Post | Department/ Unit | No. of post | Scale of Pay | Reservation |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | ECO LAB TECHNICIAN/ TMT LAB TECHNICIAN/ HOLTER LAB TECHNICIAN | CARDIOLOGY | 3 | Rs 7,600 p.m | UR-2, ST-1 |
| 2. | PHYSIOTHERAPIST | PMR | 2 | Rs 7,600 p.m | UR-2 |

**2. Essential Qualification: -**

| Sl. No. | Name of Posts | Recruitment Rules |
|---|---|---|
| 1. | ECO LAB TECHNICIAN/ TMT LAB TECHNICIAN/ HOLTER LAB TECHNICIAN | Essential:- 1. Passed 10+2 Examination in Science or its equivalent from recognized Institute 2. 2 years Diploma in Cath Lab. Technician including Echocardiogram and Tread Mill Test of a recognised Institute. OR 2 years Diploma in Echocardiogram Desirable:- I) Knowledge of Manipuri and local dialect |
| 2. | PHYSIOTHERAPIST | Essential:- 1. Passed 10+2 Examination in Science or its equivalent from recognized Institute 2. 2 years Diploma in Physiotherapist Course from a recognize Institute. Desirable:- i) Knowledge of Manipuri and local dialect |

**3. Age Limit for Sl. No. 1 to 2:**
38 years and below (Upper age limit relaxable upto the 5 years for SC/ST & 3 years for OBC candidates & by 5 years for candidates of State government service. The eligible age should be as on i.e. 13th March, 2020 the date of notification.

**4. Issue/submission of Application form:**
The willing candidates should download the application form (enclosed) from the website (www.jnims.nic.in) and submit the completed forms along with the required self attested copies of certificates on or before 31st March 2020 to the undersigned.

**5.** Candidates are required to pay Rs. 500/- for unreserved category and Rs. 250/- for ST/SC/PWD category while submitting application form.

**6.** Documents to be submitted: Completed application form for the post along with passport size photographs (3 nos.), self attested copies of the documents/certificates (mentioned in the application form).

**7.** The number of posts may be increased or decreased as per needs.

8. Selection shall be on the basis of interview and the date, time and venue shall be notified on a later date.

**Sd/- Prof. Th. Bhimo Singh**
**Director,**
**J.N. Institute of Medical Sciences**

HL-P/6122/16